# শ্রী লঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টর মহিন্দ রাজাপক্সা রিজাইন তৌখ্রে রুল্লিং পার্টিগী এমপি অমা য়াওনা মীওই অনী খুৎ থোক্লবদা শিখ্রে



কলম্বো, এপ্রিল ৯ (এজেন্সী):

নিংথৌকাবা নুমিত্তা শ্রী লঙ্কাদা এন্টি গভর্নমেন্ট অমসুং গভর্নমেন্ট শৌগৎপা প্রোটেষ্টরশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবদা ইথৎ লৈবাক অসিগী রুল্লিং পার্টি শ্রী লঙ্কা পোদুজানা পেরুমুনা (এসএলপিপি) গী পার্লিয়ামেন্টরিয়ান অমা ওইরিবা অমারাকির্থি অথুকোরালা অমসুং মহাক্কী সেক্যুরিটি ওফিসার শিখ্রে।

পুলিসনা ফোঙদোরকপদা পোলুন্নারুৱা দিষ্ট্রিক্টকী এমপি অথুকোরালাবু অৱাং নোংচুপ থংবা টাউন নিত্তামবুৱাদা এন্টি-গভর্নমেন্ট গ্রুপশিংনা কোয়শিনখি।

প্রোটেষ্টরশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না অহানবদা এমপি অসিগী এসয়ুভিদগী নোংমৈ মরু কয়া কাপথোরকখি। মতুং তারকপদা খোইরাং খোইশাওনরবা মীয়াম্না কার অদুদা এটেক্ট তৌখি। মদুদা মহাক মফম অদুদগী চেনখি অমসুং অনকপা বিল্ডিং অমদা চঙজফম লৌখি।

মহাক বিল্ডিং অদুদা মশাগী রিভোলবরনা কাপশিঞ্জদুনা শিজখি। পুলিসকী মতুং ইন্না লো মেক্কর অদুগা লোয়ননা মহাক্কী সেক্যুরিটি ওফিসার বিল্ডিং অদুদা শিরম্বা থেংনখি।

কলম্বো নেসনেল হোস্পিটালগী স্পোক্সমেন পুস্পা সোইসানা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখিবদা কলম্বোদা খুৎ থোক্লখিবদা মীওই ১৪০ রোম অশোক অপন নঙদুনা হোস্পিটালদা লায়কন্নবা মথৌ তাখি।

রুরেল এরিয়াশিংদগী বস কয়াদা হোল্লকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর মহিন্দ রাজাপক্সাগী সপোর্টর লিশিং কয়া মহাক্কী ওফিসিএল রেসিদেন্স মনাক্তা থোমজিল্লকপদগী ইরাং অদু হৌখিবনি।

রাজাপক্সানা মহাক্কী ময়ুমদা সপোর্টর লিশিং ৩রোমদা ৱা ঙাঙখি অমসুং মহাক্কী লৈবাক অদুগী অনিংবা অপাম্বশিং থুংহন্নবা হোৎনগনি হায়না থাজবা পীখি। সপোর্টরশিং অদুনা অহানবদা প্রাইম মিনিষ্টরগী টেম্পল ট্রিস রেসিদেন্স মমাঙদা লৈরিবা প্রোটেষ্টরশিংগী টেন্টশিং শিথখি অমসুং এন্টি-গভর্নমেন্ট বেন্নরশিং অমসুং প্লেকার্দশিং মৈ থাখি।

মদুগী মতুংদা মখোয় নক্লবদা লৈরিবা গেলেফ্রেস সি-ফ্রন্ট প্রোমিনেদতা চৎখি অমসুং প্রসিদেন্ট মফম থাদোক্লবা দিমান্দ তৌরিবা "গোটা গো হোম" কেম্পেইন কাঙবুনা শেমগৎখিবা অতৈ টেন্ট কয়া মাঙহন তাকহনখি।

প্রসিদেন্ট রাজাপক্সানা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা থাগৎপা ত্বিট অমদা ইরাং হৌবা পাম্বশিংনা চত্থরিবা থবক থৌওংশিং অদু মহাক্লা পার্টিশিংগী খেন্নবা থমদনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই অমসুং ভাইওলেন্সনা হৌজিক লৈরিবা প্রোব্লেমশিং সোল্ব তৌরোই হায়খি।

ওপোজিসন এমপি সজিট প্রেমাদাসা ইরাং অদুগী মতুংদা এরিয়া অদুদা চঙশিন্নবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং মহাকসু মোব অমনা এটেক্ট চত্থরকখি। মহাক্কী সেক্যুরিটি ষ্টাফনা মহাকপু কারদা থুনা হাপচিল্লগা মফম অদুদগী পুথোকখি হায়রি।

গভর্নমেন্টনা ইথৎ লৈবাক অদুগী শেল থুমগী ক্রাইসিস কোকহনবা ঙমদববু য়ানিংদবা উত্তুনা লৈবাক শিনবা থুংনা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট চত্থরল্লিঙৈদা লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর মহিন্দ রাজাপক্সা রিজাইন তৌখ্রে।

কলম্বোদা রাজাপক্সাগী সপোর্টর অমসুং এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টরশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্নরকপদগী ইথৎ লৈবাক অদুশিন থুংনা কার্ফিয়ু থল্লিঙৈদা রাজপক্সানা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম রিজাইন তৌনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

পোৎচৈগী মমল ৱাংখৎলকপা অমসুং পৱার সপ্লাই লেপ্পগী মায়োক্তা মীয়াম্না হৌখিবা থাদগী লেপ্তুনা প্রোটেষ্ট চত্থরকখিবনি। কুমজা ১৯৪৮ দা বৃটেনদগী নিংতম্বা ফঙখিবদগী ইথৎ লৈবাক অসিনা হৌজিক মসিগী খ্বাইদগী শাথিবা শেল থুমগী ক্রাইসিস মায়োক্নরক্লিবনি।

মশাগী চহী ৭৬ শুরবা রাজপক্সানা মহাক্কী ফম থাদোকপগী চেরোল অদু মহাক্কী মনাওনুপা ওইরিবা প্রসিদেন্ট গোটাবয়া রাজপক্সাদা পীশিনখি।

চেরোল অমদা মহাক্কী ৱারেপ অদুনা লৈবাক অদুনা মায়োক্নরিবা ক্রাইসিস অদু লৈখায় তাবদা মতেং পাঙলগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং প্রসিদেন্ট গোটাবয়া রাজাপক্সানা মখা তানা ফম পায়দুনা লৈবনা ময়াম্বগী খোঙথাং অদুনা গভর্নমেন্টগী ওপোনেন্টশিংবু পেলহনগনি হায়বগী থাজবা লৈতে হায়রি।

ওপোজিসন এমপি ইরান ৱিক্রামারাটনেনা ত্বিট অমদা হায়খি, মদুদি প্রাইম মিনিষ্টরগী থৌইনশিনদগী থোক্লক্লিবা মীশি মীনা য়াওনা ভাইওলেন্স অদুগী থৌদাং প্রসিদেন্টনা য়াগদবনি। ঐখোয়না মীয়ামগা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা তৌফম থোকপশিং তৌবা মতমদা নখোয়না ঐখোয়বু তান্নবা য়ারোই।

চৈরকসিদা যুএস এম্বেসেদর জুলি চুংনা মীশি মীনাগী থৌদোকশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঙসি লৈখিদবশিং অদুগা মরী লৈননা অৱাবসু ফোঙদোকখ্রে অমসুং ইথৎ লৈবাক অদুগী মীয়ামদা ইংনা চিক্না অমদি পুক্নিং ফাথনা লৈনবা আপিল তৌখ্রে।

ভাইওলেন্স অদু হৌখিবা এপ্রিল ১৯ দা কলম্বো অমসুং সেন্ট্রেল সিটি কান্দিগী মরক্তা রেলৱে লাইন অমসুং হায়ৱে অমা থিংজিন্নবা হোৎনখিবদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা প্রোটেষ্টর অমা শিখিবগা লোয়ননা অতৈ ২৪ না অশোক অপন নঙখিবা থৌদোক অদুগী মতুংদা খ্বাইদগী শাথিবা ওইরি।

# ৱেষ্ট বেঙ্কদা পেলেষ্টিনিয়ন অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে



রমালা, মে ৯ (এজেন্সী):

ৱেষ্ট বেঙ্ককী অৱাং অমসুং ময়াই থংবা শরুকশিংদা থোকখিবা তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংদা পেলেষ্টিনিয়ন অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না পেলেষ্টিনিয়ন অমদি ইজরেল্লি ছোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।

এজেন্সিনা পেলেষ্টিনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা পল্লদুনা হায়, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা ৱেষ্ট বেঙ্ককী খা থংবা সিটি হেব্রোনদা লৈবা ইজরেল্লি সেটলমেন্ট অমদা সিভিলিয়ন অমনা নোংমৈ কাপ্পদা মশাগী চহী ১৭ শুরবা পেলেষ্টিনিয়ন মোটাসেম অতাল্লাহ শিখি।

ইজরেল্লি মিলিটরিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, থাঙ পায়বা টেরোরিষ্ট অমা কম্যুনিটি অদুদা চঙলকখি অমসুং সিভিলিয়ন অমনা মহাকপু নোংমৈনা কাপখি। মদুগী মমাঙ অঙনবদা মশাগী চহী ২৭ শুরবা পেলেষ্টিনিয়ন নুপা অমা ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং জিৱিষ্ট ষ্টেটকী মরক্তা লৈরিবা সেক্যুরিটি ফেন্স লান্নবা হোৎনরিঙৈদা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা কাপ্পদা শিখি। অরম কৌবা মীওই অদু ৱেষ্ট বেঙ্কগী অৱাং থংবা সিটি টুলকামগা নক্লবা মফমদা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা নোংমৈনা কাপখিবনি।

ইজরেল্লি আর্মিগী মতুং ইন্না ফোর্স অসিনা এরেষ্ট প্রোসিজরগী মখা পোন্না মঙোন্দা নোংমৈ কাপখি। নোংমৈ কাপ্পদা শোক্লবা অরাম হোস্পিটালদা পুখি। তৌইগুম্বসুং মহাক মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি।

হিব্রু লোনগী পাউচে অমগী রিপোর্টনা হায়, অরাম হায়রিবা মীওই অদু গাজা ষ্ট্রিপতা লৈবনি। মহাক কুমজা ২০১৯ দা অনা লায়েং চত্থনবগীদমক্তা ইজরেলদা চঙলকখি।

মতমদুদগী মহাক এনক্লেব অদুদা হল্লকখিদবনি হায়রি। হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা ইজরেল অমসুং পেলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।

ওফিসিএল ফিগরগী মতুং ইন্না মার্চ ২৭ তগী তোঙান তোঙানবা নোংমৈ কাপ্পা অমদি থাঙনা থিনবগী থৌদোকশিংদা ইজরেল্লি ১৮ অমসুং পেলেষ্টিনিয়ন ২০ হেন্না শিখ্রে।

# খঙহৌদনা পাঙথোকখিবা খোঙচৎ অমদা জিল বাইদেননা য়ুক্রেনগী ফার্ষ্ট লেদি উন্নখ্রে



কিভ, মে ৯ (এজেন্সী):

নোংমাইজিং নুমিত্তা যুএসকী ফার্ষ্ট লেদি জিল বাইদেননা মাঙজৌননা লাউথোকখিবা লৈতনা য়ুক্রেনদা খঙহৌদনা খোঙচৎ অমা চৎতুনা লৈবাক অদুগী ফার্ষ্ট লেদি ওলেনা জেলেন্সকিগা উন্নখ্রে।

রসিয়ানা মখা তানা নোংপোক থংবা লমদমশিংদা অকনবা লান চত্থরিঙৈ মরক্তা যুএস ফার্ষ্ট লেদিনা খোঙচৎ অদু পাঙথোকখিবনি।

জিল বাইদেননা লোন্না খোঙচৎ অদু পাঙথোক্তুনা রসিয়াগা চয়োল তরা চুপ্না লান শোক্লরকপদা য়ুক্রেনদা খোঙচৎ অমা চৎপা খ্বাইদগী নৌবা হাই-প্রোফাইল অমেরিকন ওইরি।

খোঙচৎ অদুদা জিলনা ওলেনাদা হায়খি, মদুদি ঐহাক্না খোঙচৎ অদু মালেমগী মার্দস দে নুমিত্তা পাঙথোকপা পামখি। য়ুক্রেনগী মীয়ামদা লান অসি লেপ্পা মথৌ তাই হায়বসি ঐহাক্না খঙহনবা পামখি। লান অসি অদুক্কী মতিক শাথিবা লান হায়বদু ওইরি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী মীয়াম্না য়ুক্রেনগী মীয়ামগীদমক্তা লেপ্লি হায়বসি ঐহাক্না খোঙচৎ অদুদা খঙহনবা পাম্মী হায়না জিলনা ওলেনাদা মখা তানা খঙহনখি।

যুএস ফার্ষ্ট লেদিনা য়ুক্রেনগা লোন্নবা স্লোভিকিয়ান ভিলেজ অমদগী মিনিট তরারোমগী খোঙচৎ অমদা উজোরোদ টাউনদা গাড়ী তোংদুনা চৎখি। মহাক য়ুক্রেনদা পুং ২ লৈখি।

ফার্ষ্ট লেদি অনী ক্লাস রুম অমদা ৱারী শান্নখি। মখোয়না কনামত্তা য়াওদনা উন্নদ্রিঙৈ মমাঙদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙখি। মতম অদুদা ওলেনাগী অঙাংশিং মখোয়গী সেফতিগীদমক ফোঙদোক্তবা মফম অমদা থমখি।

থৌনা লৈনা খোঙচৎ অদু পাঙথোকপা ঙম্বগীদমক ওলেনা জেলেন্সকিনা বাইদেনবু থাগৎখি। মখোয়না উন্নরিবা স্কুল অদু য়ুক্রেনগী মফম কয়াদগী লাক্লিবা মাইগ্রেন্টশিংগী ট্রাঞ্জিস্নেল হাউজিং ওন্থোকখ্রবনি। খোঙচৎ অদুনা বাইদেনবু পার্সনেল দিপ্লোমেসি মখল অমা কন্দক্ট তৌবা য়াহনখি। তশেংনমক্তি মহাক্কী মপুরোইবা জো বাইদেননা অসুম্না য়ুক্রেনদা খোঙচৎ অমা লাকপা পামখি হায়রি।

প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা হৌখিবা মার্চতা পোলেন্দদা খোঙচৎ অমা চৎখিবা মতমদা য়ুক্রেনদা মহাক্লা খোঙচৎ অমা চৎতুনা লৈরিবা ফিভমশিং মমিৎমক্লা য়েংবা ঙমদবসি নিংবা কায়নিংঙাইনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# ইমরানগী স্পিচ পাকিষ্টানগী মায়োক্তা অচৌবা লৌতুনবা অমনি : পিএম সেহবাজ সরিফ



ইস্লামাবাদ, মে ৯ (এজেন্সী):

অবোটাবাদতা মীয়ামগী মীতিন অমদা এন্টি-ষ্টেট স্পিচ পীখিবগীদমক্তা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী মায়োক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎলগনি হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সরিফনা লাউথোকখ্রে।

ইমরান খানগী স্পিচ অদু পাকিষ্টান অমসুং লৈবাক অসিগী ইন্সটিট্যুসনশিংগী মায়োক্তা অচৌবা লৌতুনবা অমনি হায়না সরিফনা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর সরিফনা হায়খি, মদুদি ইমরান খাননা মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখিবশিং অসি মহাক্লা চত্থরক্লিবশিং অদু লৌতুনবা অমনি, পোলিটিক্স নত্তে হায়না লৌগনি।

মহাক্লা লৌতুনরিবা অদুসু পোলিটিকেল রাইবেল অমত্তগী মায়োক্তা নত্তে, তৌইগুম্বসুং লৈবাক অসিগী মায়োক্তনি।

সেহবাজনা মখা তানা হায়, মীওই অমনা মশাবু ৱাংনা খঞ্জদুনা মীয়াম মমাঙদা অতাক অফোঙননা ওইদবা কয়া ঙাঙবা ঙকচাও থেকপগী থৌওংশিংদা লৈবাক অসিনা য়াগদবা নত্তে।

ইমরাননা অহানবদা লৈবাক অসিগী ইকনোমি মাঙহন্নবা লৌতুনখি। হৌজিক্লা মহাক্লা পাকিষ্টানদা সিভিল-ৱার অমা থোকহন্নবা থৌরাং তৌরি।

মহাক্কী ফত্তবা থৌওংশিং অসি মায় পাকহন্দনবা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং খুদিংমক লৌখৎকনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা চেকশিন ৱা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি।

মিলিটরি স্পোক্স পার্সন অমনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অদুগী পোলিটিকেল এফিয়ার্সতা পাকিষ্টান আর্মি চিংশিন্দনবা পোলিসিটিয়ানশিং, জর্নেলিষ্টশিং অমসুং এনেলিষ্টশিংদা ৱার্নিং তৌখিবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর সরিফনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

ইমরান খানবু হিটলর, মির্জাফর অমসুং মিরিক সাদিক্লা চাংদম্নবগা লোয়ননা সারিফনা মহাকপু নেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিংগী মায়োক্তা শেমজিন শাজিনবা ৱাফম কয়া পুথোক্তুনা ঙাঙই হায়না মরাল শীখি। হান্নগী লিদর অসিনা তৌরিবসি পোলিটিক্স নত্তে, তৌইগুম্বসুং লৈবাক অসিগী অমসুং মসিগী ইন্সটিট্যুসনশিংগী মায়োক্তা লৌতুনবা খক্তনি হায়না সারিফনা মখা তাখি।

# ফিলিপিন্সতা ভাইওলেন্স মরক্তা ভোট থাদনখি



মানেলা, মে ৯ (এজেন্সী):

ফিলিপিন্সতা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খন্নবগীদমক্তা মীয়াম্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ভাইওলেন্স মরক্তা ভোট থাদনখি। মীখলগা মরী লৈনবা হাৎন শুনবগী থৌদোকশিংদা মীওই অহুম শিখি অমসুং অতৈ মাপননা অশোক অপন নঙখি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্সিএল মীখল অদুদা পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ৩৭,২১১ দা মীয়াম্না ভোট থাদনখি।

পোল্লিং ষ্টেসনশিং অদু ইলিজিবল ভোটর মিলিয়ন ৬৫.৭ হেনবগীদমক অয়ুক পুং ৬ তাবা মতমদা হাংখি। সেন্টরশিং অদু নুমিদাং পুং ৭ তাবা মতমদা ক্লোজ তৌখি।

মীখল অসিদা প্রসিদেন্টদা নত্তনা ভাইস প্রসিদেন্ট, সেনিটর ১২, হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবকী ৩০০ হেন্না অমসুং লোকেল ওফিসিএল ১৭,০০০ হেন্নসু খনগদৌরিবনি।

প্রসিদেন্সিএল কেন্দিদেট ওইরিবা ফ্রন্ট রন্নর অমসুং হান্নগী সিনেটর ফর্দিনান্ট মার্কোস জুনিয়র (৬৪) ঙসি অয়ুক ইলোকোস নোর্টে প্রোভিন্সকী বাটাক সিটিদা লৈবা মারিয়ানো মার্কোস ইলিমেন্টরি স্কুলদা ভোট থাদখি।

মহাক লৈখিদ্রবা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ফর্দিনান্ট মার্কোসকী মচানুপানি। মহাক্কী মরু ওইবা লম্বা ওইরিবা হৌজিক হৌজিক ফম পায়রিবা ভাইস প্রসিদেন্ট মারিয়া লিওনোর রোব্রেদো (৫৭) না মহাক্কী হোম টাউন ওইরিবা বিকোল রিজনগী নাগা সিটিদা ভোট থাদখি।

মহাক্লা ভোট থাদবা অদু ইংনা চিক্লা পাঙথোক্লনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি। ফম থাদোক্লগদবা প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দুটর্টিগী মচানুপী ওইরিবা মশাগী চহী ৪৩ শুরবী দাবোস সিটিগী মেয়র অমসুং ভাইস প্রসিদেন্সিএল রেসকী ফ্রন্ট রন্নর সুরা দুটর্টি-কার্টিওনা মিন্দনাও ইথৎতা লৈবা মহাক্কী হোম টাউন দাবাও সিটিগী হায়স্কুল অমদা ভোট থাদখি।

ফিলিপিন্সকী খা থংবা লমদমদা ইরাং থোক্লবসু ভোট থাদবদু অয়েৎ অপন লৈতনা চত্থখি। ইন্টরিয়র সেক্রেটরি ইদুৱারদো অনোগী মতুং ইন্না মাগুনদানাও প্রোভিন্সতা পোল্লিং সেন্টর অমগী মনাক্তা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই অহুম শিখি অমসুং মীওই অমা অশোক অপন নঙখি।

# হোদৈদা পোর্টতা গ্যাস পুবা জহাজ চঙবা য়াহনখ্রে

সানা, মে ৯ (এজেন্সী):

য়েমেনগী লান শোক্লরিবা সাইটশিংগী মরক্তা য়ান্নদুনা হৌজিক চৎনরিবা ট্রুসকী শরুক অমা ওইনা লৈবাক অদুগী ব্লোকেদ তৌখ্রবা রেদ সিগী হোদৈদা পোর্টতা গ্যাস পুবা জহাজ অমা চঙবা য়াহল্লে হায়না হাওথি মিলিসিয়ানা লাউথোকখ্রে।

এজেন্সিনা হাওথিনা চল্লাইবা অল-মাসিরা টিভিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, য়েমেনদা লৈবা সাউদি অরাবিয়া কোল্লিসন ফোর্সনা জহাজ অদুবু চয়োল অমা হেন্না ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা জহাজ অদু পোর্ট অদুদা চঙবগী অয়াবা পীখি।

হৌখিবা চয়োলদা হাওথি মিলিটেন্টশিংনা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোল্লিসনবু যুএননা পার্মিসন পীরবসু জহাজ অদু এপ্রিল ২৭ তগী ফাজিন্দুনা থল্লকখি হায়না মরাল শীখি।

হাওথিনা চল্লাইবা টিভি অদুগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা হোদৈদা পোর্টতা ফ্যুএল পুবা জহাজ কয়া থুংলরে। যুএননা ৱাতেমদুনা পুরকখিবা থা অনী চৎনগদবা ট্রুস অদু হৌখিবা এপ্রিল ২ দগী চৎনবা হৌখিবনি।

রেবেলশিং অমসুং কোল্লিসন্না শৌগৎপা য়েমেনগী গভর্নমেন্টগী মরক্তা পুরক্লিবা ট্রুস অদুদা হোদৈদা ফুলএল জহাজ ১৮ চঙবা য়াহনবা, হাওথিনা কন্ট্রোল তৌবা সানা এয়রপোর্টতা চয়োল অমদা কর্ম্মসিএল ফ্লাইট অনী ওপরেট তৌবা য়াহনবা অমসুং গভর্নমেন্টনা পায়শিল্লিবা টাজ সিটিদা হ্যুমেনিটরিয়ান মতেংশিং পুশিনবা য়াহনবা য়াওরি। ট্রুস অদু লান শোক্লরিবা নাকল অনীনা য়ান্নরবসু সানা এয়রপোর্টতা কর্ম্মসিএল ফ্লাইটশিং অমুক মহৌশাগুম হৌদোকপগী মতাংদদি ফাইনেল এগ্রিমেন্ট অমা পুরকপা ঙমদ্রি।

GOVRMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF AGRICULTUREL: MANIPUR
...........
**NOTIFICATION**
Dated, the 28th April' 2022

**NO AGM-1/526/SMAM/2021-22**: This is to notify to all the interested farmers, rural entrepreneurs and farmer group that under the scheme of Sub Mission on Agricultural Mechanization (SMAM). Department of Agriculture, Manipur is to provide Subsidy Assistance on purchase of farm machinery and equipment as well as for establishment of farm machinery bank for custom hiring for the year 2021-22 (2nd instt) as per prescribed pattern of assistance both for the fund of Central Share and Stare Share. Prescribed application format, pattern of assistance, list of equipment and list of approved Dealers can be had from the concerned District Agriculture Officer's Office. Duly filled up application in hard copy has to be submitted to the Office of the DAO concerned within stipulated time. Further farm equipment/machinery can be procured only from the following agencies who have on boarded in the Central DBT portal.

| | |
|---|---|
| 1. EDC (Agri – Division), Kwakeithel Heinoukhongnembi. | 5. K.D Enterprises (STIHL) Changangei, Opp. Imphal Airport |
| 2. M/S East India Machine Company Ltd, Mantripukhri. | 6. M/S Ravi Motors, M.G Avenue. |
| 3. M/S H.R Motor, M.G Avenue. | 7. M/S Saikhom Tractor Sales & Services Centre, Canchipur opp MU Gate. |
| 4. Jamunalal Mangilal & Company, Paona Bazar. | 8. M/S Waiagrim Konung Mamang. |

2. **Scheme of individual Farmer:** For assistance / subsidy for individual agricultural equipment and machinery, an application is to be submitted in prescribed format to the concerned DAO for recommendation/draw of lots by the District Level Executive Committee (DLEC). Scheme of assistance and application format is available at www.agrimanipur.gov.in.

3. **Scheme of Group Farmers:** For Group Scheme (Custom hiring center, village based mechanization, etc.) the applicant group has to submit DPR along with the application form. The proposals are to be submitted through DAO concerned for recommendation for District Level Executive Committee (DLEC).

4. Last date of form submission is 13th May, 2022.

Sd/-
(**N. GOJENDRO**)
Director of Agriculture: Manipur

HL-P/2678/10

# মরিওপোল ষ্টিল প্লান্টদগী মীচম ১৭৩ হোন্দোকখ্রে

কিভ, মে ৯ (এজেন্সী):

লাঙ্গোই চল্লবা মরিওপোল সিটিদা লৈরিবা অজোবষ্টাল ষ্টিল প্লান্টদগী অহেনবা য়ুক্রেনিয়ন সিভিলিয়ন ১৭৩ হোন্দোকখিবগা লোয়ননা মখোয় খা থংবা সিটি জাপোরিস জিয়াদা থুংখ্রে হায়রি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা সোসিএল মিদিয়া পোষ্ট অমদা মরিওপোল সিটি কাউন্সিলনা হায়, সিভিলিয়নশিং অদু বস তরাদা জাপোরিস জিয়াদা থুংখি।

কাউন্সিল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মীচমশিং হোন্দাকপগী প্রোসেস মনুংদা লান্মী অহুম শিখি অমসুং অতৈ তরুক্লা অশোক অপন নঙখি। মীচমশিংবু অশোয় অঙাম য়াওদনা হোন্দোকপা য়াহনবগীদমক্তা কাউন্সিলনা যুএন, ইন্টরনেসনেল কম্মিটি ওফ দি রেদ ক্রোস (আইসিআরসি) অমসুং দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর অরিনা বেরেচুকপুসু থাগৎখি।

অজোব রেজিমেন্টগী কম্মান্দরগী মতুং ইন্না প্লান্ট অদুদগী হোন্দাকখিবা সিভিলিয়নশিং অদুগী মনুংদা রসিয়ানা কন্ট্রোল তৌবা টেরিটরিশিংদা লৈরিবা ফিলট্রেসন কেম্পশিংদা মীওই কয়া ফাজিন্দুনা থল্লিবগে হায়বসি খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে।

রসিয়ন ওক্যুপায়রশিংনা কনামত্তবু খুদক্তা মখোয়গী চেক পোইন্টশিং লানবা য়াহন্দে হায়না কম্মান্দরনা ফোঙদোকখি।

অজোবষ্টালগী বঙ্করশিংদা লৈরিবা অতৈ সিভিলিয়নশিং অদু অশোয় অঙাম য়াওদনা হোন্দোকখ্রে হায়না থাংজ নুমিত্তা বেরেচুক্লা লাউথোকখি।

**OFFICE OF THE**
**MANIPUR STATE WOMEN'S DEVELOPMENT CORPORATION LTD, IMPHAL**
***(A Government of Manipur Undertaking)***

N O T I C E
Imphal, the 9th May, 2022

No.35/MSWDC/TRG/2022: It is hereby notified that the Manipur State Women's Development Corporation Ltd, Imphal is conducting various Vocational Training Programme in the trades of Tailoring, Embroidery, Handloom Weaving and Kauna Craft for destitute Women who are at the age group of 18-50 years. Stipend of Rs.450/- per trainee per month will be given. If the attendance is below 80% any facility will not be considered. The annual family income of candidates should not exceed double the poverty line in the limit of Rs. 40,000/- for Rural areas and Rs. 53,000/- for Urban areas. Willing candidates to undergo the said training can apply in the prescribed Form obtainable at the MSWDC Office, Social Welfare Building, Directorate Complex, near 2nd MR Gate, Imphal on or before 16th May, 2022.

Details are given below:

| Sl. No. | Name of the Trade | No. of Trainees | Location of Vocational Training centres | Duration of the Training | Date of Interview |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Tailoring | 104 | -Yaiskul Police Lane, Imphal West<br>-Singjamei Kshetri Leikai, Imphal East<br>-Khamnam Leirak, Imphal West<br>-Sawombung Imphal East | 4 months | 17th May, 2022 at 10:00 am |
| 2 | Embroidery | 56 | -Yaiskul Police Lane, Imphal West<br>-Singjamei Kshetri Leikai, Imphal East<br>-Sagolband Tera Bazar, Imphal West<br>-Sawombung, Imphal East | 4 months | 19th May, 2022 at 10:00 am |
| 3 | Handloom Weaving | 60 | -Singjamei Chingamakha, Imphal West<br>-Khamnam Leirak, Imphal West | 4 months | 20th May, 2022 at 10:00 am |
| 4 | Kauna Craft | 40 | -Uripok, Imphal West | 3 months | 20th May, 2022 at 2:00 pm |

**Sd/- Ngangom Uttam Singh**
**Managing Director**
**MSWDC Ltd, Imphal.**

HL-P/7636/10